# এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অনৌবা কেলেন্দর শেম্লগনি নেসনেল ইন্টর ষ্টেট এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ য়ৈথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা মালেমগী স্পোর্টস ইভেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রবা মতুং এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান (এ এফ আই) না লৈবাক অসিগী অনৌবা এঠলটিক কেলেন্দর শেম্লগনি, নেসনেল ইন্টর-ষ্টেট এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপসু য়ৈথোকখ্রে।



এ এফ আইগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা অনৌবা কম্পিটিসন কেলেন্দর অসি বোদি অসিগী প্লানিং কম্মিসননা কোচশিং অমসুং ফোরেন এক্সপার্টশিংগা তান্নরগা শেমগনি হায়রি। অনৌবা কেলেন্দর শেম্বগা লোয়নना নেসনেল কেম্পরশিংগী অনৌবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিংসু শেমগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎনা ওইহলক্লিবা ফিভম অসিদা এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২০ গী লেহৌরিবা দোমেষ্টিক কেলেন্দর পূম্নমক শেমদোকপা মথৌ তারে, মরুওইনা সেনিয়র কম্পিটিসনশিংনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

কম্পিটিসনশিং অসি লৈদুনসু ঐখোয়না কোচশিংদা মখোয়গী ত্রেনিং সেসনশিং অদু ফিভম অসি লাকশিনবা ঙম্লগদি মখা তানা হৌনবা হায়খিবা লৈখ্রে হায়না এ এফ আইগী প্রসিদেন্ট অদিলে সুমারিৱাল্লানা ফোঙদোকখি।

নেসনেল ইন্টর-ষ্টেট সেনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসি চহী অসিগী জুন ২৫ দগী ২৮ ফাওবা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক ক্কালিফায়িং ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা এঠলেটশিং খনগদবনি।

কোরোনাভাইরস লায়চৎকী অকিবা লৈবদগী মালেমগী শান্নবগী বোদি কয়ানা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কাউন্সিলদা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি মতম খরা য়ৈথোক্লবা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী আই ও সি অমসুং জপান লৈঙাক্লা কূপ্না খন্নরবা মতুং মথং চহীদা পাঙথোক্লবা য়ৈথোকখিবনি।

ইন্দিয়াদসু কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়ন্সিপ কয়া য়ৈথোকখ্রবনি। মসিনা মরম ওইরগা নেসনেল ইন্টর-ষ্টেট এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিসু মতম খরা য়ৈথোকখিবনি হায়রি।

য়ৈথোকখ্রবা নেসনেল ইন্টর-ষ্টেট এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসি করিগুম্বা কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসি মে নৎত্রগা জুন থা ফাওবগী মনুংদা ফিভম ফরক্লবদি ওগষ্ট থাগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি হায়না দিপ্যুতি নেসনেল চীফ কোচ রাধাকৃষ্ণন নায়রনা পাউগী চেনেল অমদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা সিজন অসিগী অহানবা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি সেরিজসু এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা য়ৈথোকখ্রবনি। মসিগা লোয়নना এপ্রিল ১০ দগী ১৩ ফাওবা পটিয়ালাদা পাঙথোক্কদবা ফেদরেসন কপ সেনিয়র চেম্পিয়ন্সিপসু কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিগী অকিবা লৈবদগী য়ৈথোকখ্রবনি।

চহী অসিগী ওগষ্ট ১৬ তগী ১৯ ফাওবা তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা পাঙথোকপগী সেদ্যুল লৈখিবা নেসনেল ওপন এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অদুসু মখা তানা অনৌবা মতম লেপ্লগা পাঙথোক্লগনি হায়না এ এফ আইগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই সি সি) অমসুং জপান লৈঙাক অনীনা টোকিও ওলেম্পিক গেমস অসি মথং চহীদা পাঙথোক্লবগী লেপখিবনা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রনা নেসনেল ফেদরেসনশিংদা মখোয়-মখোয়গী এঠলেটশিংগী ওইবা ত্রেনিং অমসুং কম্পিটিসন প্রোগ্রামশিংগী অনৌবা রোদমেপ অমা অথুবা মতমদা পীখৎলক্লবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি।

# ওষ্ট্রেলিয়ানা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা মখা তানা থা তরুক চখৎরবদি ইন্দিয়াগী টুরদা চাওনা অকায়বা পীরগনি

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী লৈবাক কয়ানা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়চৎনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্কী ৱারেপ অমনা বোর্দর থিংজিল্লিবা অসি মখা তানা থা তরুক চখৎরক্লবদি ইন্দিয়াগী ফ্যুচর টুর প্রোগ্রামদা চাওনা অকায়বা পীরগনি হায়রি।



ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী ওষ্ট্রেলিয়া টুর ওইনা ওক্টোবর থাদা টি-২০ ট্রাই সেরিজ অমা শান্ননবগী সেদ্যুল লৈরি। মসিগী মতুং দিসেম্বর থাদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা টেষ্ট সেরিজ শান্নগদবনি।

টি-২০ ৱার্ল্ড কপসু চহী অসিগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্লবগী সেদ্যুল লৈরি। মেগা ইভেন্ট অসিসু গ্লোবেল হেল্ঠ ক্রাইসিস লৈবদগী য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২০০০ গী মথক্তা পোজিটিভ ওইরে অদুগা মীওই ১৬ না লায়না অসিনা শিহনখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী বোর্দরশিং সিল তৌখিবনি।

সৌরভ গাঙ্গুলিনা লুচিংবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা টুরশিংগী অসিগী অতোপ্পা থৌরাং কয়া তৌরি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা মীওই ৩০,০০০ হেন্না শিহনখ্রবনি।

বি সি সি আইনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা আই পি এলগী চপ চাবা মতম হৌজিক ফাওবগী ওইনা লেপ্পা লৈত্রি। কোভিদ-১৯ লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল কেলেন্দরদা চাওনা অকায়বা পীরিবনি। ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কা টুর (ও দি আই অমসুং টি-২০শিং), জিম্বাৱে, এসিয়া কপ (টি-২০) অমসুং ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইরগা ইংলেন্দনা শান্নগদবা হ্বাইট বোলগী সেরিজসু মাঙদা তাদুনা লৈরিবনি।

কোরোনাভাইরসকী লায়চৎনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী বোর্দরশিং থা ৬ অথিংবা থল্লি। মরম অসিনা ওষ্ট্রেলিয়াদা টিম অমত্তনা চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। ইন্দিয়াগী টিমসু টি-২০ ৱার্ল্ড কপ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া টুর শান্নদবগী ফিভমদা লৈরি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়বদা ঙমল্লি, করিগুম্বা ফিভম অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবদি ওষ্ট্রেলিয়না মখোয়না থা ৬ কী চৎথোক-চৎশিন দা অথিংবা থল্লিবা অদু অথুবা মতমদা লৌথোরক্কনি হায়বা থাজে হায়না বি সি সি আইগী সেনিয়র ওফিস বিয়াররনা অমনা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা টি-২০ ৱার্ল্ড কপ অসি য়ৈথোকপা তারগদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ অসিদসু শোয়দনা শোকহল্লগনি। অদুবু হৌজিক ঐখোয়না ঙাইবা তারি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# জুবেন্টসকী শান্নরোই অমসুং কোচশিংনা তলব ককপদা য়ারে

*জুবেন্টস, মার্চ ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

কোরোনাভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইটালিদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী মকোক থোংবা ক্লব জুবেন্টসকী শান্নরোইশিং অমসুং কোচশিংনা মখোয়গী তলব ককপদা য়াখ্রে।

লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ না য়াম্না শোকচিনহনখিবদগী লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকখিবনি। অৱাবা তারবা মীওইশিংনা মতেং পীবা অমসুং শান্নরোইশিংনা মেটচ শান্নদনা লৈখিবদগী ক্লব অসিনা শান্নরোইশিং অমসুং কোচকী তলব কক্লবা মমাঙদা খঙহনখিবা লৈখিবনি।

জুবেন্টসকী শান্নরোইশিং অমসুং কোচকী তলব ককপা তারগদি ক্লব অসিনা য়ুরো মিলিয়ন ৯০ কনবা ঙমগনি। কোচ অমসুং শান্নরোই ওইরিবা মাউরিজিও সারিনা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা থা ৪ গী তলব ককপতা অয়াবা পীরকখি হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখি।

# সরাদ কুমারনা লুপা লাখ ১ মতেং পাঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৯ (এজেন্সি)ঃ*

দবল এসিয়ান পেরা গেমস চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী দরাদ কুমারনা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লিবা অসিগী মতেং ওইনবা প্রাইম মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা লুপা লাখ অমা খূৎশিন্নখ্রে।

ঐহাক্লা লুপা লাখ ১ লুপা অমা পি এম কেয়র ফন্দদা কোরোনাভাইরস লায়চৎ অসিবু মপুং ফানা ফহন্নবা শেনফম অসি দোনেট তৌখিবনি হায়না মশাগী চহী ২৯ শুরবা বিহারগী পেরা এঠলেট সরাদ কুমারনা ফোঙদোকখি।

কুমার ২০১৪ এসিয়ান পেরা গেমসতা হায় জম্প টি৪২ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। মহাক্লা কুমজা ২০১৮ দা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জার্কটাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতসু গোল্ড মেডল অমা লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখিবনি। মহাক খোঙ অনীদা খেন্নবা মীওইনি।

# ‘পাউ-চেনা কোরোনাভাইরস শন্দোকপা ঙমদে’

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস) ঃ

মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়চৎ শন্দোরকপগী মীওই কয়া অনা অয়েক অমদি মীশি মীনা থোরকপদগী মীপুম খুদিংমক্লা মীপায়বা পোক্লরিঙে চৈরক অসিদা সোসিয়েল মেদিয়াদা লায়না অসি পাউ চেন্দগীসু শন্দোকপা ঙম্মী হায়বা ৱাফম তোকঙা শন্দারকখিবা অদুমক অরানবা ৱাফম্নি। কোভিদ-১৯ অসি পাউ চে দা শন্দাকপা ঙম্বগী মপাঙ্গল লৈতে।

কোভিদ-১৯ লায়চৎ শন্দাকপগী মীয়াম্না মিপাইনরিঙৈ চৈরক অসিদা ফেসবুক অমদি ৱাচঅপনচিংবা সোসিয়েল মেদিয়াশিংদা লায়না অসি পাউ চেশিংদসু শন্দোকপা ঙম্মী হায়বা ৱাফমদা তোকঙা শন্দোরকপদা মীয়াম্না হেন্না চম্মুবা অমদি লাংতক্লবা পোক্লবদা মতাংদা পাউ চেগী লমদা থবক তৌরিবা পাউমীশিংদা অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। পাউ চে লৌবদা মীয়াম্না অকিবা পোকপদগী পাউ চে য়েনবগী থবক তৌবদা অপনবা পীবদা নত্তনা পাউ চেগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী ইমুং মুংনা থবক তোক্লবা তকশিন্নরে।

ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) অমসুং দ ইন্টর্নেসনেল ন্যুজ মেদিয়া এসোসিয়েসন (আই এন এম এ) না রিছার্স অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা পাউ চেদগী কোভিদ-১৯ শন্দোকপা লৈতে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা দব্লিউ ঐচ ও না পাল্লিবদি পাউ চেশিংদা কোরোনাভাইরস শন্দোকপা লৈতে। পাউ চেশিংগী পোরুস ওইরবা লমায়দা হায়রিবা ভাইরসশিং অদু হিংদুনা লৈবা ঙম্বা নত্তে। মদুগী মথক্তা পাউ চে ফোঙলিবা অসি অয়াম্বনা ওটোমেটিক ওইবা মরম্না থোইদোক্লা খূৎনা পায়বগী মথৌ তাদে। মসিমক্লা পাউ চেশিং অসি লু নান্ননা ফোঙলিবনি। মরম অসিনা পাউ চে য়োনবা মীওই অমনা যূমথোং খুদিংদা পাউ চে থিল্লকপা মতমদা মহিক অদু শন্দোকপা ঙম্বগী মপাঙ্গল লৈতে।

পাউ চেনচিংবা ঈ পাউ গী থবক থৌরমশিং মখা তানা মথৌ নিংথিনা তৌহন্দুনা মীয়ামদা অচুম্বা ঈ পাউ পীবগী তঙাই ফদে। করিগুম্বা পাউ চে শিং লেপখিবা তারবদি লৈবাক মীয়াম্না সোসিয়েল মেদিয়ানা শন্দোরকপা তোকঙানচিংবা অরানবা পাউশিংনা মরম ওইদুনা চম্মুবা অমদি লাংতক্লবা ফাওহন্দুনা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্লগনি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্ট লাইনতা মথৌ তৌরিবশিংগী মনুংদা পাউমীশিংসু অমনি। লায়না অসি থেংনবদা পাউমীগী থৌদাং চাওনা য়াওরিবনি হায়না দব্লিউ ঐচ ও গী ৱারোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

নাকল অমরোমদা, য়ুনাইটেদ কিংদমগী জোন ইন্নস সেন্টরগী ভিরোলোজিষ্ট জোর্জ লেমোনোসসোফ মহাক্কী রিছার্সকা মরী লৈননা ফঙবা ৱাফমদা, পাউ চেশিং অসি ফোঙবা মতমদা মেছিনদা মৈশা য়াওবা অমদি প্রিন্ট তৌবা মতমদা শিজিন্নরিবা মুকশিং অদুনা মরম ওইদুনা পাউ চেগী লমায়দা মহিক মতাই পকপা ঙমদে। মরম অসিনা মহাক্লা চহী কয়াগী মমাঙদগী মীয়াম্না চানা থক্লবা পোৎলমশিং পাউ চেদা য়োমদুনা চান্নরিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা পাউ চে থিন্দোক থিজিন তৌবদা চঙবা চৎন পথাপশিং ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন অমদি হেল্ঠ মিনিষ্ট্রিদগী শেম্লকপা লৈত্রি। লোয়নना সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা অচুম্বা ঈ পাউ পীননবগীদমক্তা ঈ পাউগী থবক লেপ্তনবা আপিল তৌখিবসু লৈখ্রবনি।

**ক্রোসৱার্দ ৪৭২ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | E | A | R | ■ | A | S | I | A | N | ■ | S | O | F | T |
| O | A | H | U | ■ | L | U | N | G | E | ■ | O | G | L | E |
| U | S | E | S | ■ | L | E | G | A | L | ■ | O | R | E | S |
| T | E | A | S | E | ■ | D | O | T | S | ■ | N | E | W | T |
| E | L | D | E | R | S | ■ | T | H | O | S | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | L | I | E | N | ■ | A | N | I | S | T | O | N |
| T | A | B | L | E | T | O | P | ■ | ■ | S | T | A | L | E |
| E | R | R | ■ | ■ | S | T | E | A | L | ■ | ■ | C | E | E |
| R | E | A | M | S | ■ | ■ | A | G | I | T | A | T | O | R |
| M | A | T | I | S | S | E | ■ | O | V | E | R | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | S | E | A | L | S | ■ | E | A | R | T | H | S |
| T | O | I | L | ■ | L | E | W | D | ■ | S | I | R | E | N |
| R | I | D | E | ■ | A | V | E | R | T | ■ | V | A | N | E |
| E | L | L | A | ■ | M | E | D | I | A | ■ | A | C | N | E |
| E | Y | E | D | ■ | I | N | E | P | T | ■ | L | E | A | R |

# পোৎ চিংবদা ইসেন্সিয়েল অমদি নন ইসেন্সিয়েল খাইদোক্তনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস) ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হান্ননা পীখিবা ইন্সত্রক্সন অদুগী মখা তাবা ওইনা পোৎ চিংবগী কোমথোকপা মতমদা ইসেন্সিয়েল অমদি নন ইসেন্সিয়েল হায়না খায়দোকপা তৌদনবা খঙহনখ্রে।

ইন্দিয়াগী হোম সেক্রেটরী অজয় ভাল্লানা ষ্টেটশিংগী চীফ সেক্রেটরীশিংদা ঙসি ইবা দি ও লেটর অমগী মতুং ইন্না গ্রোসরিশিংগী মনুংদা হেন্দ ৱাশ, সাপোন, দিস ইনফেক্টেন্ট বোদি ৱাশ, সাম্পু, সর্ফেস ক্লিনর, দিটর্জেন্ট, টিসু পেপর, ওরেল কিয়ার সেনিটরি পেদ, দাইপর, বেটরি সেল চার্জরচিংবসু য়াওরগনি হায়রি।

শঙ্গোম খোমজিনবা অমদি য়েন্থোকপা অমদি পাউ চে য়েন্থোকপসু কোমথোকপগী মনুং চলহল্লে হায়রি।

সেন্ত্রেল গর্ভমেন্টনা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্সশিংবু লোকদাউননা মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈরবা ময়ূম মকৈ লৈজদবা মীওইশিং কোয়না চৎপা শিন্মীশিংগী লৈফম চাফম শিনবদা শিজিন্নবা য়াগনি হায়বা ৱাফমসু দি ও লেট্টর অদুদা পল্লি।

# মীয়াম্না থোমজিন্নরকপদগী হোলসেল দুকানশিং হাংদোকপদা অপনবা থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এসএন এস) ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী থৌরাং অমগী মখাদা ইম্ফালগী থাঙ্গাল বাজার অমদি পাউনা বাজারদা লৈবা হোলসেল দুকানশিং থোঙ হাংহন্দুনা রিটেলরশিংবু পোৎ লৈনবগী খুদোংচাবা পীখিবা অদু মীয়াম থোমজিন্নরকপদগী অপনবা থোকখ্রে হায়রি। পার্মিট পায়রগা পোৎ লৌবা লাক্লবা অথাপ্পদগী লাকপা মীওই কয়া নিংবা কয়না পোৎ লৌদনা হন্নখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা ঙরাং থোকখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না দি সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা ঙরাং চেরোল অমা থোক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা থোঙ হাংহন্দুনা মরি লৈনবা দিসিশিংদগী পার্মিট পায়রবা রিটেলরশিংনা পোৎ লৈহৌনবা খুদোংচাবা পীখি। পাউচে অসিগী পাউমীনা অয়ুক পুং ৯.৩০ খরা হেল্লকপদা কোয়না চত্তুনা য়েংলুবা মতমদদি ধর্ম্মশালা অমদি ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা হোলসেলর দুকানশিং থোঙ হাংনরমখিদে। অদুবু খরা থেংথরগা পুং ১০ রোম তাবা মতমদগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবা ফাওবা দুকানশিং হাংদোক্লবা মতুংদা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা ঙাইহাক অমুক থোঙ লোনখি হায়রি।

নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা দুকানশিং থোঙ হাংনবা থবক পায়-খৎলকপা মতমদা দিসিশিংদগী পার্মিট পায়বা মীওইশিংখক্ত নত্তনা পার্মিট পায়দবা মীওই কয়া পোৎ লৌনবা থোমজিন্নরকপদগী থোঙ হাংহনখিদ্রে হায়রি। অদুবু অথেংবদা দুকানশিং ঙাইহাক থোঙ হাংহনখি হায়রি।

লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা থবকশিং অদুদা মণিপুর পুলিসকী মশীং য়াম্না পার্সোনেলশিংনা শেন্নদুনা য়ারিবমখৈ মীপুলহন্দনবা শেন্নখি। মফম অদুদা মথৌ তৌরম্বা পুলিস ওফিসার অমনা পাউচে অসিদা হায়, হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা মী য়াম্না পুনশিনবা হায়বসি খুদোংথিনিঙাইগী মশক্লি।

অদুবু লমদম অসিগী মীওইশিংগী মরক্তা ৱাখল তাদবা, মখোয়গী অপাম্বা অদুখক ফংহৌরগা লোইরে হায়না খনবা য়াওরক্তবা নত্তে। লৈঙাক্লা লাওথোকখিবা মতুংইন্না দি সিগী পার্মিট পায়রগা পোৎ লৌনবা লাকপগী মহুত্তা পার্মিট য়াওদনা পোৎ লৌহৌনবা হায়জিন্নরকপদগী দুকানশিং থোঙ হাঙদোকহন্দনবা থমখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।



MSPDCL

## মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ

(রেজিষ্টার ওফিস: থার্দ ফ্লোর, ন্যু দাইরেক্টোরেট বিল্ডিং, নিয়ার সেকেন্দ এম আর গেট)
ইম্ফাল-ডিমাপুর রোদ, ইম্ফাল, মণিপুর

CIN: U40101MN2013SGC008343 Imphal, the 27th March, 2020

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) গী ওইনা কম্মিসন্না এপ্রুভ তৌরবা টারিফ সেদ্যুলগী সম্মরি অমদি ০১.০৪.২০২০ দগী চৎনবা হৌরগদবা :

এ) এফ ৱাই ২০২০-২১ গী এপ্রুভ সবসিদাইজ টারিফ :

টেবল ৮.১০: কম্মিসন্না এফ ৱাই ২০২০-২১ গী ওইনা এপ্রুভ তৌরবা সবসিদাইজ টারিফ

| সে নম্বর | কঞ্জ্যুমর কেটেগোরি (এফ ৱাই ২০১৯-২০) | লৈরিবা টারিফ | | এপ্রুভ সবসিদিয়ারি টারিফ | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | ফিক্স চার্জেস (পি এম) | ইনর্জি চার্জেস লুপা / কে দব্লিয়ুঐচ | ফিক্স চার্জেস (লুপা / থাদা) | ইনর্জি চার্জেস লুপা / কে দব্লিয়ুঐচ |
| | এল টি সপ্লাই | | লুপা। কেদব্লিয়ুঐচ | | লুপা। কেদব্লিয়ুঐচ |
| ১ | কুটির জ্যোতি | | | | |
| | ওল য়ুনিট (অপটু ৪৫কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ২৫ / (কনেক্সন) | ১.৮৫ | ২৫ / (কনেক্সন) | ২.০০ |
| ২ | দোমেষ্টিক | | | | |
| | ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০.০০ | ৩.৯০ | ৬০.০০ | ৪.২০ |
| | নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০.০০ | ৫.২০ | ৬০.০০ | ৫.৫০ |
| | অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০.০০ | ৬.০০ | ৬০.০০ | ৬.৪০ |
| ৩ | নন-দোমেষ্টিক / কম্মরসিয়েল | | | | |
| | ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০.০০ | ৫.৪০ | ৮০.০০ | ৫.৮৫ |
| | নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০.০০ | ৬.৫০ | ৮০.০০ | ৬.৯০ |
| | অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০.০০ | ৭.৬৫ | ৮০.০০ | ৭.৪৫ |
| ৪ | পব্লিক লাইটিং | ৬৫.০০ | ৭.০০ | ৬৫.০০ | ৮.৫০ |
| ৫ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০.০০ | ৭.২৫ | ১০০.০০ | ৮.৭০ |
| ৬ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ৬০.০০ | ৩.৯০ | ৬০.০০ | ৪.২০ |
| ৭ | স্মোল ইন্দষ্ট্রি | ৬৫.০০ | ৪.১০ | ৬৫.০০ | ৪.৪০ |
| | ঐচ টি সপ্লাই | লুপা /কেভিএ /পিএম | লুপা /কেভিএঐচ | লুপা /কেভিএ /পিএম | লুপা /কেভিএঐচ |
| ১ | কম্মরসিয়েল | ১০০.০০ | ৭.৬০ | ১০০.০০ | ৮.১০ |
| ২ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০.০০ | ৬.৭৫ | ১০০.০০ | ৮.৩০ |
| ৩ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ১০০.০০ | ৩.৬০ | ১০০.০০ | ৪.৪০ |
| ৪ | মেদিয়ম ইন্দষ্ট্রি | ১০০.০০ | ৫.৩০ | ১০০.০০ | ৫.৭০ |
| ৫ | লার্জ ইন্দষ্ট্রি | ১০০.০০ | ৬.৬০ | ১০০.০০ | ৭.১০ |
| ৬ | বল্ক সপ্লাই | ১০০.০০ | ৫.৯০ | ১০০.০০ | ৬.৪০ |

বি) এপ্রুভ ফুল কোষ্ট (এফ সি টি)

টেবল ৮.৩০: কম্মিসন্না এফ ৱাই ২০২০-২১ গী ওইনা এপ্রুভ তৌরবা কেটেগোরিশিংগী ওইবা ফুল কোষ্ট টারিফ (হায়বদি সবসিদি য়াওনা)

| সে নম্বর | কেটেগোরি অমদি কঞ্জ্যুমর স্লেব | ফিক্স চার্জেস লুপা। থাদা | ভেরিএবল চার্জেস (লুপা। কেদব্লিয়ুঐচ নৎত্রগা কেভিএঐচ |
|---|---|---|---|
| | লো টেন্সন সপ্লাই | | |
| ১ | কুটির জ্যোতি | | |
| | ওল য়ুনিট (অপটু ৪৫কেদব্লিয়ুঐচ / থাত | ২৫। (কনেক্সন) | ৬.৮৫ |
| ২ | দোমেষ্টিক | | |
| | এ) ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০ / কেভিএ | ৭.০০ |
| | বি) নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০ / কেভিএ | ৮.২০ |
| | সি) অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৬০ / কেভিএ | ৮.৫৫ |
| ৩ | নন-দোমেষ্টিক / কম্মরসিয়েল | | |
| | ফার্ষ্ট ১০০ কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০ / কেভিএ | ৯.১০ |
| | নেক্স ১০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০ / কেভিএ | ৯.৭০ |
| | অভব ২০০কেদব্লিয়ুঐচ /মন্থ | ৮০ / কেভিএ | ৯.৮৫ |
| ৪ | পব্লিক লাইটিং | ৬৫ / কেভিএ | ৯.৯৫ |
| ৫ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০ / কেভিএ | ৯.৭৫ |
| ৬ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ৬০ / কেভিএ | ৮.৮০ |
| ৭ | স্মোল ইন্দষ্ট্রি | ৬৫ / কেভিএ | ৭.৮০ |
| | হায় টেন্সন সপ্লাই | | |
| ১ | কম্মরসিয়েল | ১০০ / কেভিএ | ৮.০৫ |
| ২ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০ / কেভিএ | ৮.৬০ |
| ৩ | ইরিগেসন এন্দ এগ্রিকলচর | ১০০ / কেভিএ | ৭.৯৫ |
| ৪ | মেদিয়ম ইন্দষ্ট্রি | ১০০ / কেভিএ | ৭.৮৫ |
| ৫ | লার্জ ইন্দষ্ট্রি | ১০০ / কেভিএ | ৮.৩০ |
| ৬ | বল্ক সপ্লাই | ১০০ / কেভিএ | ৯.০০ |

নোট ১) এফ ৱাই ২০২০-২১ গী এগ্রিগেট রিভিন্যু রিক্কারমেন্ট এপ্রুভ তৌবগা লোয়নना মণিপুরগী মনুংদা পৱার সপ্লাই তৌবগী চাংচৎতা চঙবা শেনফম অসি য়ুনিট অমদা লুপা ৯.০৭ নি অদুগা মপুংদা চাংচৎতা সবসিদাইজ টারিফ অসি (হায়বদি মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী সবসিদি ফংলবা মতুংদা) য়ুনিট অমদা লুপা ৬.৪৩ নি। মসি এফ ৱাই ২০১৯-২০ গী হৌজিক লৈরিবা টারিফতগী চাদা ৯.০৪ হেনগৎলবনি। ফুল কোষ্ট টারিফ অসি চাংচৎতা লুপা ৯.০৭ সু উৎলে অদুগা এম এস পি দি সি এল মণিপুরনা টারিফ ওর্দরগী পারা ৭.২১ গী মতুং ইন্না সবসিদি ফংদ্রবদি ফুল কোষ্ট টারিফঅসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়াই। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পন্দুনা লৈবা সবসিদি মতুংগী থা / থাশিংদা থাদোক্লবদি ফুল কোষ্ট টারিফনা মরম ওইদুনা লৌখিবা অহেনবা চার্জশিং অদু সবসিদি হেক থাদোক্লকপা মতুংগী থা / থাশিংগী বিলদা হন্দোক্কনি।

২) মথক্কী টেবলশিং অসিদা ফিক্স অমদি ইনর্জি চার্জশিং খক্তমক উৎপনি। এফ ৱাই ২০২০-২১ গী অকুপ্পা টারিফ সেদ্যুলগীদমক www.mspdcl.info OR www.mspdcl.com দা য়েংবিয়ু।

SL/B/30, 31 & 1st April

Sd/-
(H. Shantikumar Singh)
Managing Director, MSPDCL